HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




Vol. 49, Issue No. 183 | থাংজ, মেরাগী ১২নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, October 04, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# সর্ভে চথরবা মতুংদা পাওনা অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলগী এনক্রোচরশিং তকথোকপা অমুক হৌরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) :** চৎলিবা চহীসিগী জুলাই ৪দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা থোকপা ওর্দরগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা লম্বী, লম্ফাং অমসুং ফুট পাঠনচিংববু এনক্রোচ তৌশিন্দুনা নুঙ-লৈঙোই পৈশিনবা, হোটেল/দুকান ফমজিনবা অমদি যূম শাবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং পৈশিনবা য়াওনা পার্কিংনচিংবা ওইশিনবশিংবু থা অদুগী ১১ ফাওবা মতম পীদুনা মশা-মশানা লৌথোকচনবা খঙহল্লবা মতুংদা লৌথোক্তবশিংবু জুলাই ১২দগী হৌরদুনা দি সী মশামক্না লুচিংদুনা ইভিক্সন তৌরকখিবগা লোয়ননা জুলাই ২২দগী থাঙ্গাল কৈথেলদসু ইভিক্সন হৌরক্লম্লগা মতম খরা লেপ্লুরবা মতুং ঙসিদগী হৌনা থাঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেলদা এনক্রোচ তৌশিল্লম্বশিং তকথোকপা হৌখ্রে।

মী খ্বাইদগী চিনবা ইম্ফাল সিটিগী মফম অমা ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলনা কোল্লিবা থাঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেলদা দি সীগী ওর্দর মতুংইন্না এনক্রোচরশিং তকথোকপা হৌরকপা অমসুং তকথোকপদা চঙবা এক্সপেন্দিচরবুনা এনক্রোচ তৌরম্বশিংদা ফাইন ওইনা পীহনবনচিংবা থবকশিং



চথরকপদগী কৈথেল অনীসিগী দুকান/ যূম্বশিংনা চপ চাবা সর্ভে অমা চথরবা

মতুংদা ইভিক্সনগী থবক চথবীয়ু হায়দুনা দুকান থোঙ লোনবনচিংবগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি।

নাকল অনীগী মরক্তা চয়েৎনবা থোরকপদগী জুলাই ৩০দা লৈঙাক্কী মাহুদ লোয়শঙনা শীন্দুনা দি সী য়াওনা দুকান/ যূম্বশিংগী মীফম অমা পাঙথোকপদগী খোঙজং অদু হন্দোকখিবগা লোয়ননা এনক্রোচরশিং মশক খঙদোক্লবা সর্ভে চথবদা য়ান্নখিবনি।

মীফম অদুদা য়ান্নখিবগী মতুংইন্না দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী মীৎয়েং মখাদা থাঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেল অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈবা এনক্রোচরশিং খঙদোক্ল বা মপূং ফাবা সর্ভে চথরবা মতুংদা ঙসি অয়ুক্তগী হৌরদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনগী মায়কৈদগী এস দি ও/এস দি সীশিংনা লুচিংলগা এনক্রোচরশিং তকথোকপগী থবক অমুক হৌরকখিবনি। থবক অসিদা মরী লৈনবা লোয়শঙশিং অমসুং লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিংগী পর্সনেলশিংসু শরুক য়াখি।

অহানবা ওইনা ঙসি অয়ুক্তগী থাঙ্গাল কৈথেলগী মনুং চল্লিবা মেজোর খুল পরিংদা মরন্নাইগী ওইনা লম খোপচিন্দুনা শীজিন্নরম্বশিং জে সী বিনচিংবা শীজিন্নদুনা তকথোকখি।

ঙসিগী ইভিক্সন অসিগা মরী লৈননা এস দি ও অমনা পাউচে অসিদা হায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনগী মখাদা মাঙজে ৗননা এনক্রোচরশিংবু ইভিক্সন তৌনবা ওর্দর থোকখ্রবনি। ওর্দর অদুগী মতুংইন্না এনক্রোচর মশা-মশানসু খোপচিল্লম্বা লমগী শরুকশিং লৌথোক্লবা মতম পীখ্রবনি। মসিগী মতুংইন্না দি সীগী মীৎয়েং মখাদা মেজোর খুলগী মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা ঙসিদগী এনক্রোচরশিং তকথোকপগী থবক অসি অমুক হৌরকপনি। ইভিক্সন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## নিংথৌখোং খা খুনৌদা মপা-মচা য়াওনা মীওই ৪ হাৎপদা চেন্নবা কুকি টেররিষ্ট ১ এন আই এনা ফারগা গুৱাহাটিদা পুখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদা চথরকখিবা তমথীরবা লান কনশিল্লকপা মতম ওইখিবা জন্যুৱারী ১৮, ২০২৪গী নুংথিলদা নিংথৌখোং খা খুনৌদা মপা-মচা য়াওনা মীওই মরি নোংমৈ অমদি থাঙ শীজিন্নদুনা তমথীনা হাৎতোল্লম্বা থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা কুকি টেররিষ্ট অমা নেশনল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সী (এন আই এ) না ফারগা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী গুৱাহাটি তম্না পুখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা, থৌদোক অসিগী মতাংদা এন আই এনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাদুনা পুখ্রিবা কুকি টেররিষ্ট অদুগী মমিং জামখোগিন গুইতে এলিয়জ জামখোগিন লুফো এলিয়জ পেপসি কৌই। মশাগী চহী ২৬ লোম শুরে। চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চকপিকারোং পুলিস ষ্টেশনদা কোনবা তোলবুং খুলদগী লৈখিদ্রবা সোঙম গুইতেগী মচানুপানি হায়রি।

মহাক য়াওনা য়ুনাইটেদ কুকি নেশনল আর্মি (য়ু কে এন এ), কুকি নেশনল আর্মি (কে এন এ) অমসুং কুকি নেশনল ফ্রন্ট (কে এন এফ) কী খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংনা নিংথৌখোং খা খুনৌগী খুজাইরোক তুরেল মপান্দা লৈবা ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান অমগী থবক থৌরমশিংবু য়েংশিঞ্জরকখিবা ওইনাম বামোঞ্জাও অমসুং মহাক্কী মচানুপা মনিতোম্বা য়াওনা অতোপ্পা মীওই অনী থিয়াম সোমোরেন্দ্রো অমসুং নিংথৌজম নবদিপপু নোংমৈ অমসুং থাঙ শীজিন্নদুনা তমথীনা হাৎলমখিবনি।

কুকি টেররিষ্টশিং অসিনা ও বামোঞ্জাও ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## মণিপুর এসেমব্লিদা স্কাম থোরক্লিবসি লোক সভাগী কম্মিটি অমনা থিগৎপীনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে : ও জয়



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) :** দেমোক্রেসিগী লাইশঙ ওইরিবা এসেমব্লিদা স্কাম অমা থোরকপা হায়বসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়রদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা স্কাম অমা লৈরে হায়না 'ইন্দিয়া টুদে-এন ঈ' দা ফোঙলকপা অসি লোক সভাগী হাউস কম্মিটি অমনা থিগৎপীনবা প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা মরী লৈনবশিংদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়না কোংগ্রেসকী লুচিংবা অমসুং লো মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবা ওক্রম জয়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, ঐহাক্না এম এল এ ওইরিঙৈদা স্কাম ময়াম অমা থেংনখ্রে অদুবু হন্দক্কী অসিগুম্না অসুক য়াম্না শাথীবা স্কাম অমা অমুক্তা থেংনদ্রি। মণিপুর লেজিসলেটিভ ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## মণিপুরগীদমক নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি : ওক্রম ইবোবী



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী নুপীশিংগী মনুংদা ইমা-ইবেল, ইচে-ইচলশিংনা ইমুংদা লৌরিবা থৌদাং খক্তা নত্তনা মপান থোরক্লগসু খুন্নাই অসিগীদমক লৌবীরক্লিবা থৌদাংশিং শীংথাবদা লোইবা নাইরোই হায়রদুনা মণিপুর খুন্নাইগীদমক নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লৈমরোল খোর্জেইকোল (লৈকোল) গী চহী ২৫ শুরকপা লুপা ফুদোংবগী থৌরম জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা মহাক্না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

